ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

Friday, May 26, 2017, Imphal



# য়ু এসনা সাউথ চাইনা সিদা ৱারসিপ থাখ্রে, চাইনানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ৱাশিংটন/বৈজিং, মে ২৫ : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মখাদা পায়খৎপা অহানবা 'ফ্রীদম ওফ নেভিগেসন' ওপরেসনগী শরুক ওইনা য়ু এসনা য়েৎনরিবা সাউথা চাইনা সিগী খুৎশেমগী ঈথৎ মনাক্তা নেভিল ৱারসিপ অমা থাখ্রে। চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা য়ু এস নেভিগী থৌওং অদু কাইহৌবগী থবক অমনি মদুনা চাইনিজ সোভরন্টি খোঙ্গাওনৈ হায়খ্রে।

গাইদেদ-মিসাইল য়ু এস এস দীৱিনা চাইনা য়াওনা লৈবাক কয়ানা অমগা অমগা ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌনরিবা স্প্রাটলি ঈথৎকী শরুক অমা ওইরিবা মিসচীফ রীফকী কিলোমিটর ২০ ফাওবগী মনুং চন্না পেট্রোল অমা পাঙথোকখি।

এক্সরসাইজ অদু হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী অহানবনি অমসুং য়ু এস অমসুং চাইনানা মরূপ-মপাং ওইবা মওংদা ত্রেদ ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শানখিবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম লাকশিন্নবা অমগা অমগা মতেং পীনবগী ৱাফম অমা য়ানখিবা মতুংদা পাঙথোরক্লিবনি।

পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন জেফ দাভিসনা হায়খি মদুদি সাউথ চাইনা য়াওনা এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা য়ু এসনা ওপরেট তৌই। ইন্টরনেসনল লোগী মতুং ইন্না য়ু এস নেভিনা ওপরেট তৌই।

পেট্রোলশিং অদু লৈবাক অমত্তগী মায়োক্তা চথবা নত্তে নৎত্রগা ঈশিংগী মফম অমদা অতন্নবা খল্লগা চথবা ওপরেসনসু নত্তে হায়না দাভিসনা ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলদা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং চাইনানা য়ু এসকী এক্সন অদুদা খুদক্তা রিয়েক্ট তৌরদুনা য়ু এসকী ৱারসিপ অদুনা পার্মিসন য়াওদনা সাউথ চাইনা সিদা চঙশিল্লক্লে হায়খি।

য়ু এসকী ভেসেল অদুগী এক্সন অদুনা চাইনাগী সোভরন্টি অমসুং সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহল্লে হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা বৈজিংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না য়ু এসতা 'অসিগুম্বা অশোয়বসি' চুমথোক্কবা তকশিনখি অমসুং লমদম অদুগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অমসুং লৈবাক অনীগী লোং-টার্ম কোওপরেসনদা অকায়বা থোকহন্দনবা মখা তানা চাইনাগী সোভরন্টি অমসুং মরিটাইম ইন টরেষ্টশিংদা শোক্কদবা কাইহৌবগী এক্সন অমত্তা পায়খৎলোইদবনি হায়খি।

অমেরিকান ন্যুজ ৱেবসাইট হিলনা 'ফ্রীদম ওফ নেভিগেসন' ওপরেসন অদু য়ু এসনা মরু ওইবা সি লেনশিং হাংলগা লৈহন্নবা হোৎনরকপগী ঈঙ্গিৎ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# নেপালদা প্রচান্দা ফম থাদোকখ্রে নেপালি কোংগ্রেসকী দ্যুবানা অনৌবা পি এম ওইরগনি



অতৈ পার্টনরশিংগা তৌনখিবা দিল অমগী মতুং ইন্না লাকখিবনি।

কঠমন্দু, মে ২৫ : নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর পুশপা কমল দহাল 'প্রচান্দা' থা মাপন ওফিস পায়রক্লবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিজাইন তৌখ্রে। নেপালি কোংগ্রেসকী লীদর সের বহাদুর দ্যুবানা নেপালগী ৪০শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি। মহাক অনীরকশুবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদৌরিবনি।

মশাগী চহী ৬৩ শুরবা প্রচান্দনা লাইভ টেলিকাষ্ট অমদা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্কী রেজিগনেসন অদু লাউথোকখি। প্রচান্দনা অহানবদা কুমজা ২০০৮ গী ওগষ্ট ১৮ দা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি অমসুং মহাক কুমজা ২০০৯ গী মে ২৫ দা রিজাইন তৌদ্রিফাওবা ফম অসিদা লৈখি। আর্মি চীফ হাপ্পা অমসুং হান্নগী মাওইষ্ট রেবেলশিংবু আর্মি চঙহনবগী মতাংদা মতমদুগী প্রসিদেন্ট রাম বারান যাদভকা পোলিটিকেলগী অকনবা মুক্কবা অমা লাকপদগী মহাক রিজাইন তৌখিবনি। মরু ওইবা মীচং অমা ওইরিবা সি পি এন-য়ু এম এলনা শৌগৎপা তোকখিবদগী প্রচান্দগী গভর্ণমেন্ট মাইনোরিটি তাখিবনি।

রেজিগনেসন অদু সি পি এন (মাওইষ্ট সেন্টর) নেপালি কোংগ্রেসকী কোলিসন গভর্ণমেন্টদা নেপালি কোংগ্রেস অমসুং মমাঙ চহীগী জুলাইদা মতমদুগী কেপি ওলি গভর্ণমেন্ট চিংথুনবগীদমক্তা সাইন তৌনখিবা দিল অদুগী মখাদা মথং চহী ২০১৮ গী জান্যুৱারী ২১ দা নেপালগী মীখল পাঙথোক্ত্রি ফাওবা পার্টি অনীনা রোটেসন ওইনা গভর্ণমেন্টকী মকোক ওইনগদৌরিবনি।

য়ানখিবদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্ট থাদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা প্রচান্দনা থা মাপন ওফিস পায়রবা মতুংদা নেপালি কোংগ্রেসনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা গভর্ণমেন্টকী মকোক চিংলগনি। এরেঞ্জমেন্ট অদু অসিগুম্বা মওং অমদা শিনখি মদুদি লোকেল বোদি ইলেক্সনশিংনা হান্নগী রেবেল লীদরগী লিচিং মখাদা পাঙথোক্কদবনি। প্রোভিন্সিয়েল অমসুং নেসনল ইলেক্সনশিংনা দ্যুবাগী লৈঙাক মখাদা পাঙথোক্কদবনি।

# ইস্লামিক ষ্টেট থেংননবা ফিলিপিন্স শিন-থুংনা মার্সিয়ল লো চৎনহল্লকপা য়াই : দ্যুটর্টে

মনিলা, মে ২৫ : ফিলিপিন্সকী ঈরাং কনবা খা থংবা লমদমদা লাউথোক্লিবা মার্সিয়ল লো আই এস আই এসনা মঙক হাইগৎলকপা থেংননবগীদমক্তা লৈবাক শিন-থুংনা য়ৌহল্লকপা হায়না ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং থংবা ঈথৎ লুজোনদসু আই এস আই এসনা খোঙফম চেংনা লৈশিনখিবা ওইরবদি লমদম অসিদসু টেররিজমগী থবক থৌওং কয়া চথুরক্কদবা কুইররোইদবনা মীয়ামবু খুদোংথীবশিংদগী কন্ননবগীদমক্তা ঐহাক্না লৈবাক পুম্বদা মার্সিয়ল লো লাউথোকপা য়াই হায়না প্রেসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কেপিটেল মনিলাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

ঈরাং লাকশিন্নবগীদমক্তা রসিয়াদা চৎপা খোঙচৎ অমা তেনশিন্দুনা মরৈবাক্তা থুনা হল্লকখিবা দ্যুটর্টেনা মিন্দানাও ঈথৎ মপৈদা মার্সিয়ল লো লাউথোকখিবগা লোয়নননা লো চৎনহনবা অমসুং সিক্যুরিটি পীবা হায়বসি 'ঐখোয়গী কন্সটিট্যুস্নেল দ্যুটিনি হায়খি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফিলিপিনো গভর্ণমেন্টকী ত্রুপশিং অমসুং ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখিবা মতুংদা মরাৱি য়াওনা মিন্দানাওগী ঈথৎ কয়াদা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা মার্সিয়ল লো লাউথোকখি।

মীওই ২০০,০০০ রোম লৈবা সিটি অমা ওইরিবা মরাৱিদা লৈবাকপোকপগী নুংথিলদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং মিন্দানাওদা বেজ ওইবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা মাউটে গ্রুপকী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হৌখি।

আই এস আই এসকী মিদিয়া ৱিং অমাক এজেন্সিনা থোকখিবা ৱারোল অমনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা মরাৱি সিটিদা লৈবা ফিলিপিন্সকী ত্রুপশিংগী পোজিসনশিংদা অচৌবা ওফেন্সিভ অমা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিয়ল স্পোক্সমেন আর্নেষ্টো অবেলানা পীবা কনফার্মেসনগী ৱারোল অমদা ফাইটরশিংনা সিটি অদুদা লৈবা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং কয় খুদম চনশিনখ্রে অমসুং চর্চ অমা, স্কুল অমা অমসুং সিটিগী জেল য়াওনা অতৈ বিল্ডিং কয়া মৈ থাখ্রে হায়খি।

মিলিটেন্টশিংদুনা মেদিকেল সেন্টর অমসু পায়শিনখ্রে অমসুং ফিলিপিন্সকী ফিরাল আই এস আই এস ষ্টাইলগী অমুবা ফিরালনা মহুৎ শিনখ্রে হায়রি।

# য়ু কেনা য়ু এসকী এজেন্সিশিংগা ইনফোর্মেসন স্যেরিং তৌবা লেপখ্রে



লন্দন, মে ২৫ : মাঞ্চেষ্টর টেরর এটেক্কী মরমদা চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা অকায়বা পীগদবা মওংদা অমেরিকান ওফিসলশিংনা এটেক অদুগী অকুপ্পা ঈ-পাউ কয়া মিদিয়াদা লিক ওইহনখিবনা লন্দনবু খোয়রাং খোয়শাওহনখ্রবা মতুংদা গ্রেটর মাঞ্চেষ্টর পুলিসনা য়ু এসকী সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংগা ইনফোর্মেসন স্যেরিং তৌবা লেপখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেনা ৱাফম অসি শগোলশেল নুমিৎতা ব্রসেলজদা নেটোগী সম্মিট অমগা মরী লৈননা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা উনবদা হৌদোক্কনি হায়রি।

ন্যু য়োর্ক টাইমস অমসুং অতৈ অমেরিকান মিদিয়া আউটলেটশিংদা ফোঙনখিবা লিকশিংদু বৃটিশ ন্যুজ মিদিয়ানসু পাক শন্না রিপ্রদ্যুস তৌনখি।

মাঞ্চেষ্টরগী মেয়র বর্নহামনা ফোঙদোকখি মদুদি মহাক্না এক্টিং অমেরিকান অম্বেসেদরদা কমপ্লেন তৌখ্রে অমসুং মঙোন্দা য়ু এসতগী অদুম্না লিক ওইরিবদু লেপ্পগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। য়ু এস অমসুং য়ু কেগী মরক্তা লৈরিবা অখন্নবা মরী অসি ইন্টলিজেন্স অমসুং ইনফোর্মেসন স্যেরিংনা উৎলি।

হোম সেক্রেটরি অম্বর রুদনা মমাঙদা গ্রেটর মাঞ্চেষ্টর পুলিসনা ফোঙদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু এসনা সুইসাইদ বোম্মরনি হায়না চিংনরিবা মীওইদুগী মমিং ফোঙদোকখিবদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

রুদনা ৱাশিংটনদা মদু অমুক হন্না থোকহল্লোইদবনি হায়না ৱার্নিং তৌখি তৌইগুম্বসুং অহেনবা অকুপ্পশিং মখা তাবা লিক ওইখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা সুইসাইদ বোম্মিংশিংদা পুলিসমেন ৩ শিরে, প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা মীয়ামদা মোং হাদনা লৈনবা আপিল তৌখ্রে



এটেক্কর - মরি য়াওনা মীওই নিপান শিখিবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়াদা খ্বাইদগী শাথিবা এটেক ওইরি।

জাকার্টা, মে ২৫ : জাকার্টাগী বস টর্মিনেল অমদা সুইসাইদ বোম্মরশিংনি চিংনবশিংনা পুলিস ওফিসর অহুম হাৎখিবা মতুং নোংমা লৈরগা শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা ঈংনা লৈনবা আপিল তৌখ্রে।

ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না কন্না চিংনরি।

য়ুমশকৈশাগী নুমিদাংদা ইন্দোনেসিয়ন কেপিটেলদা এটেক্করশিংনি চিংনবা অনীনা মিনিট মঙা কান্নরগা মথং-মথং চথুখিবা বোম্মিং অনীদুদা পুলিস ওফিসর তরুক অমসুং মীচম তরুকসু শোকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদু মমাঙ চহীগী ফেব্রুৱারীদা চথুখিবা এটেকশিংদা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিং ইস্লামিক ষ্টেটনা ঈথিল পীবদগী মিলিটেন্টশিংগী অনৌবা জেনরেসন অমা থোক্লকপদগী রেদিকেলিজম হেনগৎলকপগী ফীভম লাকপদা থৱায় ৱাবা হেনগৎলক্লিবনি।

য়ুমশকৈশাগী এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা গ্রুপ অমনা চথরম্বা য়াবগী ফীভম য়াম্না ৱাংই। মরী অমদি লৈনরে, অদুবু মদু ইন্টরনেসনল নেটৱার্ক অমরা হায়বদু খঙদোক্লবা ষ্টদি তৌরি হায়না নেসনল পুলিসকী স্পোক্সমেন অৱি সেটয়োনোনা ফোঙদোকখি।

খরা ঙাল্লিঙৈদা মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা অমদা এটেক্করশিংদু সিরিয়াদগী নৎত্রগা অতৈ মফমদগী হকথেংননা ওর্দরশিং ফংখিব্রা হায়বদু খঙনবা পুলিসনা থিজিল্লি হায়খি।

'ঐখোয়না পূক্লিং ফাথনা, পাখৎতনা অমসুং ঈং-চিক্না লৈগদবনি, মরমদি ঐখোয় মুস্লিমশিংগী চাকহেনথাগীদমক শেম শারিবনি' হায়না প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোগী ৱারোল অমনা হায়খি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মুস্লিমনা

# ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট মিচেল টেমরনা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবা আর্মি দিপ্লোই তৌখ্রে

ব্রসিলিয়া, মে ২৫ : ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট মিচেল টেমরবু মফম থাদোকউ হায়না দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্টরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লম্বীদা চেন চেন্দুনা পুলিসকা মফম কয়াদা খুৎ থোক্লখিবা অমসুং ব্রসিলিয়াদা লৈবা মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিং অমা মৈ থাখিবগা লোয়নননা ৱাথোক ওইরবা ব্রজিলিয়ন লীদর অসিনা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবা লম্বীদা আর্মি থাদোকখ্রে।

টেমরবু মফম লৌথোক্কবা অমসুং মহাক্না পায়খৎলিবা শেল-থুমদা লিকশিনবগী প্রোগ্রাম লোইশিন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা কোংগ্রেস তম্না মখোঙনা লাকখিবা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়া থিংনবা পুলিসনা টিয়র গ্যাস অমসুং ষ্টন গ্রেনেদশিং শিজিন্নখি অমসুং রবর বুলেটশিং কাপখি।

মায়খুম উপ্পা প্রোটেষ্টর কয়ানা পুলিসতা অচৌবা বম্বুলা কয়া থাজিনখি, এগ্রিকলচরেল মিনিষ্ট্রিগী ফর্নিচর মৈ থাখি অমসুং গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিংশিংদা টেমরগী মায়োক্তা স্প্রে তৌদুনা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া থাখি।

HL-P/1612/26

## ꯍꯩꯕꯦꯟꯄ/ ইশ্খোল অমা য়োঞ্জরি

Uripok Khumanthem Leikai দা লৈবা 27x62 ft. পাক চাউবা লম অমা অথুবদা য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা Contact No. অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/1605/26

Contact : ☎ 8794369688

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE KWAKTA MUNICIPAL COUNCIL
## KWAKTA, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Kwakta, the 25th May, 2017

**No. 31/KMC/HFA/2015 :** It is hereby notified for information of all concerned that a Preliminary list of Beneficiaries based on the Demand Survey and Online Applicants has bee prepared for providing financial assistance under the Sub-Component "Subsidy for Beneficiary-Led Individual House Construction" of Pradhan Mantri Awas Yojna - Housing for All (Urban). A copy of the said list of beneficiaries is available at the office of the undersigned and the concerned Ward Councillor, Members Secretary of Ward Development Committees. The same can also be seen at Manipur Urban Development Agency's Website www.muda.mn.gov.in.

If there is any fresh intended individuals or any claim for inclusion as beneficiary or any objection to the inclusion/ exclusion of any person as beneficiary or any other relevant objections; then, such fresh application, claims or objections (as the case may be) may be submitted to the undersigned or Ward Councillor/Member Secretary of Ward Development Committees in writing with documentary evidence/proof on or before 31st May, 2017.

**Sd/- Gouginlal**
Executive Officer, Kwakta Municipal Council.

HL-P/1611/26

## J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
### POROMPAT, IMPHAL

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTIFICATION

Imphal, the 25th May, 2017

**No. 01/(A/C)/Purchase of Ambulance/JNIMS/2017 :** Sealed tenders are invited from qualified bidders for supply of 2 (two) Advanced Ambulance, for JNIMS HOSPITAL. The qualifications, terms ad conditions, instructions to the bidders, etc may be seen in the tender document which can be downloaded from **www.jnims.in.** and must submit on or before 9th June, 2017 upto 12 pm to the Office of the Director, JNIMS, A-Block, Porompat, Imphal East - 795005.

**Sd/-**
**Director, JNIMS, Manipur**

HL-B/3884/26&27







## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### C Recruitment – Staff Selection Commission – Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017 – Last Date 16 June 2017

**SSC Recruitment 2017**

Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017 in different categories of posts in various Ministries/ Departments/ Organisations. Subject to administrative / public exigencies. Apply Online before 16 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 3/4/2016–P&P-I

**SSC Job Details :**

Post Name : Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017.
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 9300-34800/- OR Rs.5200-20200/-

**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Audit Officer/Assistant Accounts Officer : Bachelor's Degree from a recognized University or Institute OR Chartered Accountant or cost & Management Accountant or Company Secretary or Masters I Commerce or Masters in Business Studies or Masters in Business Administration (Finance) or Masters in Business Economics.

For Junior Statistical Officer : Bachelor's Degree in any subject from a recognized University or Institute with at least 60% Marks in Mathematics at 12th standard level: OR Bachelor's Degree in any subject with Statistics as one of the subjects at degree level.

For All other Posts : Bachelor's Degree from a recognized University or equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 27 years for Group-C and 18 to 30 years for Group-B as on 01.08.2017 all others related information as per Notification.
Age of Relaxation : SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PH Category 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection based on Computer Based Written Examination Tier-I, Tier-II, Descriptive Test & Skill test.

Application Fee : Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply SSC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through SSC website http://ssconline.nic.in OR http://ssc.nic.in from 16.05.2017 to 16.06.2017 till 5.00 PM thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 16.05.2017
Last Date For Submission of Online Application : 16.06.2017
Last Date for Submission of Application Fee by Challan : 19.06.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/CGLE2017Notice.pdf*

***Apply Online :*** *http://164.100.129.99/cgl17/*

### ICSIL Recruitment – Intelligent Communication Systems India Limited – 294 Data Entry Operator, Nursing Assistant & Various Vacancy – Last Date 05 June 2017

**ICSIL Recruitment 2017**

Intelligent Communication Systems India Limited (ICSIL) invites Application for the post of 294 Data Entry Operator, Nursing Assistant & Various Vacancy. Apply Online before 05 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**ICSIL Job Details :**

Post Name : Data Entry Operator
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 17604/- (Per Month)

Post Name : Nursing Assistant
No. of Vacancy : 30 Posts
Pay Scale : Rs. 25000/- (Per Month)

**Eligibility Criteria for ICSIL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Data Entry Operator : B.Sc./B.A./B.Com. from a recognized University/Institution and Demonstrable knowledge of MS Word, MS Excel, MS PowerPoint. Typing Speed of English should be minimum 35 words per minutes.

For Nursing Assistant : Recognised Diploma in Nursing at least 'B' Grade and Must be registered with the State Nursing Council/Nursing Council of India.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years for Data Entry Operator and 18 to 35 years for Nursing Assistant as on 05.06.2017

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Screening of documents, typing test OR Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply ICSIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through website www.icsil.in or offline send to the Mr. O.P. Yadav (Front Desk Officer), Intelligent Communication Systems India Limited (ICSIL), Administrative Building, 1st Floor, Above Post Office, Okhla Industrial Estate, Phase-III New Delhi-110020 on or before 05.06.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online/Offline Application : 05.06.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://icsil.in/wp-content/uploads/2017/05/Requirement-for-Various-Posts-for-a-Department-of-Govt.-of-NCT-of-Delhi.pdf*
*Download Application Form : http://icsil.in/wp-content/uploads/2017/01/Click-to-Download-ICSIL-Application-Form3.pdf*
***Apply Online :*** *http://icsil.in/jobs*